## কমদৌনা ওইরকখিবগে ? মায় পাকখ্রবা মীওইশিং... – তুলসি গবার্দ –

তুলসি গবার্দ যু এস কোংগ্রেসকী নুপী মেম্বর অমনি। মহাক হৱায়ী ষ্টেটতগী থাগৎলকপনি। ইরাক লানগী ভেটরান অমসুং হৱায়ী আর্মি নেসনল গার্দকী মেজর অমা ওইনা মহাক ২০২০গী দেম্মক্রেটিক প্রসিদেন্সিএল কেন্দিদেট ওইনবা চোংথোক্লিবনি। মহাক কুমজা ২০১২ দগী হৱায়ীগী অনীশুবা কোংগ্রেসনল দিষ্ট্রিক্টকী মীহুৎ ওইনা যু এসকী হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভসতা লৈবাক্কী থবক তৌরক্লি। হৱায়ী আর্মি নেসনল গার্দকী শরুক ওইনা ইরাক্তা (কুমজা ২০০৪-২০০৫) অমসুং কুৱেটতা (২০০৮-২০০৯) দিপ্লোইদ তৌখিবী গবার্দ অসি অহানবা নুপী কম্বেট ভেটরানশিংগী মনুংদা অমনি অমসুং কোংগ্রেসতা থাগৎপা অহানবা হিন্দুনি।



কুমজা ২০১৩দগী ২০১৬ ফাওবা গবার্দনা দেম্মক্রেটিক নেসনল কম্মিটিগী ভাইস চ্যের ওইখি। তৌইগুম্বসুং কম্মিটিগা য়ানদবা লৈবদগী অমসুং ২০১৬কী প্রসিদেন্টকী মীখলদা সিনেটর বর্নি সেন্দর্সপু শৌগৎপা পান্বদগী মহাক ফম অসি থাদোকপা তাখি। দেম্মক্রেটিক পার্টিদা মচিন তুমখৎলক্লিবা ষ্টার অমা ওইনা লৌনবা গবার্দ যু এসনা মালেমগী থৌদোক ৱাথোক কয়াদা মিলিটরি ফোর্স শীজিন্নদুনা খুৎ থিংজিনবগী মায়োক্তা অচেৎপা ফীরেপ অমা লৌদুনা লেপ্লি। ভেটরানশিংগী রাইটকী চেম্পিয়ন অমা ওইনা গবার্দনা মহাক ২০২০গী দেম্মক্রেটিক প্রসিদেন্সিএল মীখলদা মীরেপ ওইরগনি হায়না ২০১৯গী ফেব্রুৱারীদা লাউথোকখি।

গবার্দ কুমজা ১৯৮০গী এপ্রিল ১২ দা তুতুইলা ঈথৎকী অমেরিকান সামোৱাদা পোকখি। কাঙলুপ কয়াগী বেকগ্রাউন্দ লৈবা গবার্দ পোলিনেসিয়ন, এসিয়ন অমসুং য়ুরোপিয়ন মপা-মপুগী মিক্সনি। মহাক্কী মচিন-মনাও মরিনি অমসুং মহাক্না অহুমশুবনি। গবার্দনা চহী অনী শুবদা ঙাইরিঙৈদা মহাক্কী অপোকপা মাইক অমসুং অপোকপী কেবোল গবার্দনা ইমুং অদু হৱায়ীদা হোংখি। দেম্মক্রেটিক ষ্টেট পোলিটিসন অমা ওইরিবা মহাক্কী অপোকপা মাইকনা মঙোন্দা ইথিল পীখি। মহাক হান্না গে-রাইটসকী মায়োক্তা লৈরম্বদগী লানগী এক্সপিরিয়েন্স ফংলবা মতুংদা এল জি বি টি ক্যু কম্যুনিষ্ট শৌগৎপা মীশক অমা ওইরকখি।

হায় স্কুলদা তম্বা লোইরবা মতুংদা গবার্দ হৱায়ী পেসিফিক য়ুনিভর্সিটিদা বিজিনেস এদমিনিষ্ট্রেসন তমখি। কুমজা ২০০৯ দা বচেলর্স দিগ্রীগা লোয়নননা গ্রেজ্যুএসন ফংখি। মহাক কুমজা ২০০২ দা হৱায়ী আর্মি নেসনল গার্দতা য়াওখি। নেসনল গার্দতা য়াওনা য়াওনা মহাক মশাগী চহী ২১ শুবদা হৱায়ী ষ্টেট লেজিসলেচরদা খ্বাইদগী নহা ওইরিবা মেম্বর ওইনা সর্ভ তৌখি। কুমজা ২০০৪ দা মহাক ইরাক্তা দিপ্লোই তৌখি। মহাক লানগী মফম অমদা মেদিকেল য়ুনিট অমগী স্পেসিএলিষ্ট অমা ওইনা থবক তৌখি। ইরাক্কী অহানবা তুর মতুংদা মহাক হৱায়ীগী দেমোক্রেট সিনেটর দেনিএল অকাকাগী লেজিসলেটিভ এইদ অমা ওইনা থবক তৌখি। কুমজা ২০০৮ দা গবার্দ অনীরকশুবা ওইনা মপান্দা তুর থাবদা য়াওগনি হায়না চোংথোকচদুনা কুবেট মিসনদা চৎখি। মফম অদুদা মহাক্না কুৱেট নেসনল গার্দকী লান্মীশিং ট্রেনিং পীখি।

## মালেমগী অঙকপাশিং

## রাজস্থানগী কার্নি মাতা টেম্পল

রাজস্থানগী বিকানরদগী কিলোমিটর ৩০ রোম লাপ্পা দেসমোকতা লৈবা হিন্দু লাইনীং চৎপশিংগী মমিং চৎলবা লাইশঙ অমনি "কার্নি মাতা টেম্পল"। লাইশঙ অসিদা চাউরাক্লা উচি ২০,০০০ লোম লৈ। থাপ্ল-থাপ্লবা মফমদগী মীওই কয়া "কাবাস" হায়না খঙনবা উচিশিং অসিবু খুরুম্বা লাক্লে।

থাজনবী অমগী মতুং ইন্না থাইনা মমাংঙৈদা লক্ষমন কৌবা মীওই অমনা কোলায়াট টহসিলগী কাপিল সরোবরদা লৈবা পুখ্রি অমদা ঈশিং থক্লুবা থৌরাং তৌরুবদা শোয়বদগী ঈরাক্লদুনা শিখিরম্মী। কার্নি মাতানা অশিবগী লাই, জোমগী মনাক্তা চৎতুনা মীওই অদু হিংগৎহন্নবা হায়জখি। মদুদা জোম্না য়ারক্তবদগী মখোয় অনী য়াম্না কন্না মরৈ য়েৎনখি। অকোনবদা জোম্না লক্ষমন অমদি অতৈ কার্নি মাতাগী মচা পুম্নমক মথংগী মপোক্তা উচি ওইনা পোক্লনবা য়াথং পীরকখি। অতোপ্পা ৱারী অমগী মতুং ইন্না লান্মী ২০,০০০ লানফমদগী লোন্না চেনথোরকপদা ফারগা উচি ওলহনখিবনি হায়রি। কনাগুম্বনা লাইশঙ অসিদা লৈরিবা উচিগী লুখাক চারবদি লায়না-লাইথুং কোকপগা লোয়ননা তৌরু-তৌরুবা খুদিংমক্তা মায় পাকই হায়না থাজনৈ।

বিকানরগী নিংথৌ গঙ্গা সিংহনা ২০ শুবা চহীচা হৌগৎলকপদা শাখিবা লাইশঙ অসিগী মমায়দা নীংথিরবা মার্বলনা লৈতেংই অমসুং মসিদা পাল্লিবা লুপাগী থোঙশিংদা কার্নি মাতাগা মরী লৈনবা ৱারীদা য়ুস্ফম ওইবা শক্তম কয়ামরুম য়েকই।

লাইশঙ অসিদা লৈরিবা উচি অমুবা ২০,০০০ লোমগী মরক্তা অঙৌবা খরসু য়াওই। মখোয়বু কার্নি মাতা অমদি মচানুপা মরিগী শাইওন্নি হায়না থাজনবদগী য়াম্না মরু ওইনা লৌনৈ। কনাগুম্বনা লাইশঙদা উচি অঙৌবা থেংনরবদি কার্নি মাতাগী থৌজাল ফংলবনি হায়না থাজনৈ।

নুমীৎ খুদিংগী অয়ুক পুং ৪ দা লাইশঙগী থোঙ হাংদুনা মীয়াম চঙবা য়াহল্লি। চহী অমদা অনীরক হন্না অচৌবা কুম্মৈ অমা মফমসিদা পাঙথোকই। মার্চ-এপ্রিল অমদি সেপ্টেম্বর-ওক্টোবরদা কুম্মৈ পাঙথোকপা মতমদা মীওই লিশিং কয়া লাইশঙ য়ৌনা মখোঙনা লাকই। কনাগুম্বনা লাইশঙ অসিদা অহানবা চৎপা মতমদা য়াম্লবা উচিশিং অদু উবদা শোয়দনা অকিবা পোক্কনি। অদুবু উচিশিং অদুনা অকায়বা অমত্তা তৌদে। অরাকপা মীগী মতম্বাক্তা, মকোক্তা, মরেংবান্দা, মখোঙদা অমদি মখুৎতা কাখৎলকপা য়াওই। থৌওং অসি কার্নি মাতানা থৌজানবীবগী মওংনি হায়না থাজনৈ।

প্লেগ হায়রিবা লায়না অসি উচিনা শন্দোকপনি, অদুবু কুমজা ১৯৯০ দা গুজরাতকী সুরত তা লায়না অসি পাক্তক্লনা শন্দোরকপা মতমদা মীওই কয়ানা লাইশঙ অসিদা লাক্লগা উচিনা থকখিবগী লেমহৌবা শঙ্গোম অমসুং ঈশিং থক্লগা অনাবা ফখিবগী ৱারী লৈরি। য়াম্না ঙক্লিংঙাই ওইবা ৱাফম অমনা য়ামখ্রবা উচিশিং অদু লাইশঙগী কম্পাওন্দ মনুংদগী হেন্দোক্তে। মখোয়না চাবা, থকপা, তূম্বা পুম্নমক লাইশঙ মনুংদা লোইনা তৌই। অদুবু উচি লৈবগী নমথিবা মনম অমত্তা চেন্দে। মসিগীসু মথক্তা উচিগা মরী লৈনবা লায়না অমত্তা মফমদুদা শন্দোকখিবগী রেকোর্দ লৈতে।

উচি হায়বসি য়াম্না কিগনবা অমসুং মীওইবগী খোঞ্জেল তাবদা হেক্তমক চেনখিবা শা মখল অমনি। অদুবু মফমসিদা লৈরিবা উচিশিংদি অকি-অখং অমত্তা য়াওদনা কোয়চৎ-চৎতুনা লৈ, "উচিমক্লফাওবা লাইশঙ মনুংদা লৈরগা মথৌনা ফরবনিনা মীওইবদি কমদৌগদগে?" হায়বসিগী ৱাখলদা মীওই কয়ানা মফমদুদা চৎনরি।

## ব্যুটি : নীংথম থানা লাকপদা খুজিন ফজনা থম্বা পাল্লবদি টিপশিং অসি অদোমগীদমক কান্নগনি

নীংথম থানা লাকপদা ইন-খৎলক্লিবী নুপীমচাশিং অমদি মপুং মরৈ ফারবী নুপী অয়াম্বনা মায়থোং অমদি হকচাংগী উনশাশিংবু চেকশিন্না থম্নবা হোৎনৈ। অদুবু মীওই খরদি মায়গী উনশা অমদি খুৎ-খোঙগী খুজিন ফজনা থম্নবা হোৎনদবসু নত্তে। ৱিন্টর সিজনদা লাকপদা তোঙান-তোঙানবা কম্পনিশিংগী প্রদক্ট কয়াসু মার্কেটতা লাক্তবা নত্তে। নীংথম থাদা উনশাশিংবু চেকশিন্না থম্বগা লোয়ননা খুজিন-খুয়াসু ফজনা থম্বগী তঙাইফদবা লৈ। লোয়ননা খুজিন-খুয়া ফজনা থম্বনা নুপী



ওইবিশিংগী ওইনা ফজবগী চাং হেনদুম হেনগৎহল্লি। নীংথম থাদা শুপ্ন গী উনশা খক্তা নত্তনা খুজিনসু ড্রাইনেসকী প্রোব্লেম থোক্তবা নত্তে। মরম অদুনা নীংথম থানা লাকপদা খুজিনবুসু চেকশিন্না শেনবগী মথৌ তাই।

ফেসনগী মতম অসিদা নুপী ওইবিশিংনা খুজিনদা মখল-মখা কয়াগী নেলপোলিস শংদুনা মীয়াম মমাংদা লেনজদবসু য়াওদবা নত্তে। অদুবু নীংথম থানা লাকপদা তোঙান্না খুজিনবু ফজনা থম্নবগীদমক করিগুম্বা খরদি চেকশিনবগী তঙাইফদবা লৈ। করিগুম্বা অদোমসু নীংথম থানা লাকপদা অদোমগী খুজিন ফজনা থম্বা পাল্লগদি মখাদা পিরিবা টিপশিং অসি ফোলো তৌরবদি শোয়দনা কান্নবা ফংগনি।

**মোইসরাইজর :** খুৎতা মোইসরাইজর তৈবা মতমদা খুজিনসু য়াওনা ফজনা তৈবিবগী তঙাইফদবা লৈ। অফবা মখলগী লোসন নত্রগা ক্রিম তৈদুনা স্কিনদা ওবজর্ব তৌহনবিখো। তুম্লমদাই মতমদা নত্রগা নুংথিলগী অহাংবা মতমদসু হেন্দ ক্রিম তৈবা কান্নগনি। হেন্দ ক্রিম তৈবা মতমদা খুজিন মনাক্কী অথাবা উনশাগী শরুক য়ৌহনবিদুনা য়াম্না ফজনা তৈবিয়ু। মদুনা উনশা হুগৎপা অমদি খুজিন ড্রাই তৌবদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি।

**অশাবা ঈশিং :** নীংথম থাগী মতমদি তোটিদগী লাকপা ঈশিংবু ওইরো, পুখ্রিগী ঈশিংবু ওইরো অমদি টেঙ্কিদগী তারকপা ঈশিংবু ওইরো পুম্নমক য়াম্না অইংবা ঈশিং ফংগনি। অদুবু মতম পুম্নমক্তা অশাবা ঈশিংনা খুৎ-শা হামদোকপা হায়বদুসু অৱাবা থবক অমনি। তোয়না-তোয়না অইংবা ঈশিংগা খুৎকা থেংনবনা খুৎকী উনশা খক নত্তনা খুজিনদসু শোকপা হায়বদু ওই। মরম অদুনা চয়োল অমগী মনুংদা অমুরক্তং ওইরবসু অশাবা ঈশিংদা খুজিন লুপ্তুনা মিনিট খর থম্বা কান্নগনি। মদুনা খুজিন থোৎপগা লোয়ননা খুজিনদা য়াওরবা অমোৎপশিং অমদি ড্রাই ওইবদগী ফবা ঙমগনি। অশাবা ঈশিংদা লুপ্লবা তুং অফবা মখলগী ক্রিম নত্রগা থাউ তৈবিবা কান্নগনি। হায়রিবা থৌওংশিং অসি নীংথম থা মতমদা নুমীৎ খুদিং তৌবসু অকায়বা লৈতে।

**গ্লোবস উপসু য়াম্না কান্নবা ওই :** অইংবা ঈশিং অমদি অইংবা নুংশিৎতগী ঙাকথোক্লবা হেন্দ গ্লোবস উপসু য়াম্না কান্নবা হায়বদু ওইগনি। রবর গ্লোবস মার্কেটতা য়াম্না লায়না ফংবা পোৎশক অমনি। মদু উপ্তুনা কোন ফেংবা অমদি ফি শুবা ফৈ। মদুনা খুজিনদা ঈশিং অমদি সাপোন তোয়না থেংনগদবদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি।


**চাবা থকপদসু চেকশিনবা ফৈ :** নুমীৎ খুদিংগী চারিবা দাইটতা প্রোটিনগী চাং ৱাংনা য়াওহনবা ফৈ। প্রোটিন ফংনবগীদমক মিট, হৱাই, য়েরুম, শঙ্গোম অমসুং বিন্সনচিংবা চিঞ্জাক চাবগী তঙাইফদবা লৈ। বিটামিন বি চাবনা খুজিনবু মপাঙ্গল কনখৎহল্লি। মরম অদুনা খুৎকী খুজিন মপাঙ্গল কন্না অমদি ফজনা থমগে হায়রবদি অদোম্না চারি-থক্লিবা চিঞ্জাকশিংদসু মচি ওইবা চিঞ্জাক চাবগী তঙাইফদবা লৈ।

## ꯃꯈꯥꯗ ꯄꯤꯔꯤꯕ ꯃꯌꯦꯛ ꯑꯅꯤ ꯑꯁꯤꯗ ꯈꯦꯟꯅꯕ ꯍꯨꯝꯃꯥꯜ ꯊꯤꯕꯤꯌꯨ







Title: Remi in the Bus Stand
By: Katy Thoudam
Class: I Sec : A Roll No. 29
School: Regular English High School



Title: Scenery
By: Brainy
Class: III Sec: Roll No. 04
School: Shishu Nistha Niketan




Title: Athlete
By: Nongmaithem Gitanjali Devi
Class: IV Sec Roll No. 01
School: Royal Education Centre, Nachou Potshangbam




Title: Scenery
By: Chaoba
Class: IV Sec : Coral Roll No. 29
School: Heritage Convent




Title: Cindrella
By: Jinabi Warepam
Class: III Sec : A Roll No. 52
School: Kids' Foundation




Title: Moon
By: H. Rudraksh
Class: III Sec: A Roll No. 10
School: Smart Universal Academy



Title: Pokemon Deoxys
By: Kh. Korou
Class: III Sec : A Roll No. 01
School: Kids' Foundation




Title: Penguin
By: Poireinganba
Class: III Sec : Roll No. 16
School: Unacco School




Title: Scenery
By: Huidrom Naroda
Class: IV Sec : Roll No. 03
School: Khuman Maheikol



Title: Barbie
By: Paikhomba
Class: II Sec : Roll No. 01
School: Uchiwa High School



Title: Elephant
By: Lanchenbi
Class: I Sec. Roll No. 50
School: Kinder garden Montessori School



Title: A Lady
By: Linthoinganbi Khumukcham
Class: II Sec : B Roll No. 15
School: Smart Universal Academy